# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 20-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী শেমজিন শাজিল্লবা খোঞ্জেল অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা এফ.আই.আর লৌখৎখ্রে।

২) মণিপুরী লোলবু সংবিধানসগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চনখিবা নুমিৎপু নিংশিংদুনা ঙসি মণিপুরী লোলগী নুমিৎ হায়না পাঙথোক্লি।

অমসুং

৩) কেন্দ্র সরকারগী মখাদা লৈবা হোস্পিতালশিংদা ঙাকশেলগী থৌরাং হান্নদগী চাদা ২৫ হেনগৎহনবদা সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

------

সিএম (এল) ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেনগী শেমজিন শাজিল্লবা খোঞ্জেল অমা সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইহল্লক্লিবা অসিগী মতাংদা এফ.আই.আর অমা লৌখৎতুনা হিরমসিগী মতাংদা থিজিন হুমজিনবগী থবক চখুরি।

দি.আই.পি.আরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌখিবা থা অহুম মরিরোম অসিদা থৌদোক মচা মচা খরা থোকপা নত্তনা শান্তি রক্সাগী ফিভম শিংথানিঙাই ওইনা ফগৎলে। লাইবক থিবদি মুখ্য মন্ত্রিগী শেমজিন শাজিনবা খোঞ্জেল সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল চৎহন্দুনা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকার অনিনা শান্তি পুরকবা হোৎনরিবা খোঙথাং অসিবু থুগাইনবা হোৎনরি।

তোঙান তোঙানবা সোসিয়েল মিদিয়া অমদি নিউজ এজেন্সি খরনা শেমজিন শাজিনবা খোঞ্জেল অদু পাক শন্না শন্দোকপসু থেংনরি। চেরোল অসিনা মখা তানা হায়- বিষ্ণুপুর, ইম্ফাল ইষ্ট, মোরে অমদি জিরিবামনচিংবগী মফম কয়াদা মিলিটেন্টশিংনা বোমচিংবা কাপ্তুনা হিংশা চথ্বগী থৌদোকশিং থোক্কুনা লাক্লি। অদুমকপু সেক্যুরিতি ফোর্সেসনা অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎতুনা লাক্লি।

পুলিস(এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা হৌখিবা মতম খরা অসিদা রাজ্য অসিগী চীং অমসুং তম্পাক্কী মফমশিংদা থি হুম্বগী থবক চথ্খি। মদুদা চুরাচান্দপুর জিলাগী এস. নাইবি খুলদগী শেমদোক্লবা মোর্টার সেল ৬৭, ফ্যুজ প্রাইমর ২৫ অমদি অতৈ পোৎলম কয়া মরুম ফংলে হায়রি।

মণিপুর পুলিসকী চেরোল অমনা হায়- থৌবাল জিলাগী লাইরোংথেল পিত্রদগী কে.সি.পি (পি.দব্লিউ.জি)গী মীওই অনি ঙরাং ফাগৎপা ঙমলে। মখোয়দগী মেগজিন য়াওবা পিষ্টোল অনি, মোবাইল ফোন অহুম, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৯, চাকা অনি পানবা গাড়ি মচা অমসুং শেল খরা ফাগৎলে।

মরক অসিদা, নেসনেল হাইৱে-টুদা অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা গাড়ি ৬৯ পুশিল্লকখি হায়রি।

অমরোমদা, অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী মফম অমদগী কে.ৱাই.কে.এলগীনি হায়বা মীওই মঙা ফারে হায়রি। হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা মীওই মঙা চিংননিঙাই ওইবা মওংদা তেংনৌপল জিলাগী জ্মনুম অমদি খুদেংথাবীগী এরিয়াদা চৎথোক চৎশিন তৌরে হায়বগী পাউ ফংবদগী খুদক্তা মফমদুদা চংশিনদুনা থিবা হুম্বগী থবক চথ্বদা মীওই মঙা অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি। অসাম রাইফলসনা মফম অসিদা খুৎলায় পায়বশিং চৎথোক চৎশিন তৌবা থিংবা ঙমবা পার্মেনেন্ট ভেহিকল চেক্য পোষ্ট অমসু হাংদোক্লে হায়রি।

নোং (এল) ঃ বঙ্গোপ সাগরদা লো প্রেসর লৈবা মরমনা নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং চুরে। মসিনা মরম ওইদুনা মণিপুরদসু হৌখিবা নুমিৎ

খরনি অসিদা লেপ্তুনা নোং চুরি। ইম্ফাল ফাওদুনা চেল্লিবা মরুওইবা তুরেলশিংগী ঈমায় হেনগৎলে, অদুমওইনমক খুদোংথিনিঙাই ওইবা থাক্তি য়ৌদ্রি। মরক অসিদা, রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা নোং অসিনা মরম ওইদুনা ঈশিং থুমজিনবা অমসুং চীং নীংখায়বগী পাউ লাক্লি।

ডে (এল) ঃ হান্নগী প্রধান মন্ত্রি রাজিভ গান্ধিগী মপোক নুমিৎপু ঙসি লৈবাক শিনবা থুংবদা সদভবনা দিবস হায়না পাঙথোক্লি। মণিপুর প্রদেশ কংগ্রেস কমিতিনা শিন্দুনা ইম্ফালগী বি.টি রোদতা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা ঙসি অয়ুক হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অসিগী ৮০ শুবা মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরমদুদা দলগী প্রসিদেন্ট কে. মেঘচন্দ্রনা লুচিংদুনা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী মফমদা লৈ শু কৎকনি অমদি সদভবনাগী ৱাশক লৌগনি।

লোল (এল) ঃ মণিপুরী লোলগী নুমিৎ ঙসি রাজ্য শিনবা থুংবদা পাঙথোক্কনি। অসাম অমসুং বঙ্গলাদেশতা খুন্দারিবা মণিপুরীশিংনসু নুমিৎ অসি পাঙথোক্কনি। ইং কুমজা ১৯৯২ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মণিপুরী লোলবু সংবিধানগী ৮ শুবা সেদ্যুলদা চলহনখিবা অদুবু নিংশিংদুনা থৌরম অসি চহি খুদিংগী পাঙথোক্লুনা লাক্লি। ৩৩ রক শুবা কুমওন থৌরম অসি তোঙান তোঙানবা সংস্থানশিংনা শিন্দুনা পাঙথোক্কনি।

মপুংওইবা থৌরম মণিপুরী লেঙ্গুএজ ডে ষ্টেট লেবেল সেলেব্রেসন কমিতিনা দিপার্টমেন্ট ওফ আর্ট এন্দ কলচর অমসুং দাইরেক্তোরেট ওফ লেঙ্গুএজ প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন্না শিন্দুনা পালন থৌরম অসি ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা এম.এস.এফ.দি.এসকী পেলেস ওদিতোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিগা মরী লৈননা ইং ২০২১ গী ওইনা শ্রী ইরুংবম দেবেন, ইং ২০২২ গী ওইনা শ্রী মাইবম নবকিশ্বর সিংহ অমদি ইং ২০২৩ গী ওইনা শ্রীমতি নহাকপম অরুনা দেবীনা মণিপুরী ষ্টেট এৱার্দ ফোর লিটরেচর খুৎশিন্নগনি। থৌরমদুদা দিপার্টমেন্ট ওফ লেঙ্গুএজ, প্লান্নিং এন্দ ইমপ্লিমেন্টেসন মণিপুরনা পুথোকপা এদভান্স লার্নরস মণিপুরী দেক্সনারি ফোংগনি। ঙসিগী

থৌরমদুদা ৱার্ক্স মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম, শিক্ষা মন্ত্রি টি.ঐচ. বসন্তকুমার সিংহ, রাজ্য সভাগী এম.পি. মহরাজ সনাজাউবা লৈশেম্বা, হিল এরিয়াজ কমিতিগী চেয়ারমেন দিংগাংলুং গাংমৈনচিংবা শরুক য়াগনি।

হকশেল (এল) ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী ৱাইতোনদা ঙরাং হকশেল বিভাগকী মখাদা পি.এম.জে.এ.ৱাই অমদি সি.এম.ঐচ.টি কার্দ শাবগা লোয়ননা পুন্না হকশেল কার্দ ৩০০ য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

সেন্তর ঃ কেন্দ্র সরকারগী মখাদা লৈবা হোস্পিতালশিংদা ঙাকশেলগী থৌরাং হান্নদগী চাদা ২৫ হেনগৎহনবদা সরকারনা অয়াবা পীখ্রে।

সরকারগী পাউনা হায়- মহৌশাদগী চৎনরকপা সেক্যুরিতিগী প্রোটোকোল অমদি মার্সেল থন্বগী অয়াবদি হোস্পিতালশিং অদুনা দাবী তৌরকপগী মতুংইন্না পীগনি। পাউ অদুনা হায়- কোলকাতাগী হোস্পিতালগী ৱাথোক অদুদা য়ুম্ফম ওইরগা কেন্দ্রগী আইন অমা শেম্বনা করিগুম্বা অচৌবা অহোংবা অমত্তা লাক্লোই। মরমদি থৌদোক অদুদা ইজৎ তেমশিংনরবা মতুং হাৎতোকপীখিবা জ্নিয়র ডোক্তর অদুগী কেস অসি ডোক্তর অমসুং পেসেন্টশিংগী মরক্তা থোকপা হিংশা নত্তে। চেরোল অদুনা হায়- হকশেলগী লমদা থবক তৌরিবা মীওইশিং ঙাকথোকবা রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২৬ না মশাগী ওইবা আইন শেমখ্রে। পাউ অদুনা হায়- রেসিদেন্ট দোক্তর এসোসিয়েসনগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নখ্রে। দাইরেক্তর জেনেরেল হেলথ সার্ভিসেসনা চেয়ারমেন ওইবা কমিতি অমা অথুবা মতমদা শেমদুনা হোস্পিতালশিংগী সেক্যুরিতি অমদি অতোপ্পা খুদোংচাবশিংগী মতাংদা য়েংশিল্লগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মুখ্য মন্ত্রিগী শেমজিন শাজিনবা খোঞ্জেল সোসিয়েল মিদিয়াদা ভাইরেল ওইরকপা থিজিন্নবা এফ.আই.আর লৌখৎখিবগী পাউ, এন.ই.সিগী ভিজন প্লান

২০৪৭ তা চিন ষ্টেট ওফ মণিপুর হায়বা ৱাফম পল্লকখিবগী মতাংদা কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমদি লেপ্পা লৈতনা নোং চুবনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীবগী পাউশিংনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা শন্দোরকখিবা ওদিওগী মতাংদা এফ.আই.আর লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে, লমদম অসিদা শান্তি থুগাইনবা হোৎনবশিংগী মথক্তা চপ চাবা থবক লৌখৎকনি- লৈঙাক হায়বা পাউনা নহারোলগী থৌদাংগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি। পাউ অসিদা মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি লাকশিন্নবা তংদু লৈতাবা পুরকবা হোৎনরিঙৈ চৈরক অসিদা মুখ্য মন্ত্রিগী শেমজিন শাজিনবা ওদিও অমা থাদোক্তুনা লৈঙাকা হোৎনরিবা কয়া অসি অরেম্বা তাহন্নবা শিল্লিবা লাল্লোং অসিদা মীয়ামা থাজবীগনু হায়বগী ৱাফম পল্লি।

পাউ অসি পোকফম, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, পিপলস ক্রোনিকলনচিংবা পাউচে অয়াম্বদা তোঙান তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা ফোংনরি।

সনালৈবাক্তা- মণিপুরদা থোক্লিবা ইরাংদা পি.এম, দোনর মিনিষ্টরনা থাউ হৈজিনবা লেপ্পু, মণিপুরদা চিন ষ্টেট কদাইদা লৈবগে হায়বা পি.এমনা শেংদোক্কদবনি হায়না কংগ্রেসকী লুচিংবা কে. মেঘচন্দ্রনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন ওইরি।

বিষ্ণুপুরদা ঈচাউনা য়ুম অমদি ঙাগী ফার্ম কয়া থুমজিনখ্রে, ইরাকবদা নুপা অমা শিরে হায়না পাউনা পোকফমগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- মফম কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে, চীংগী লম্বীশিং নীংখায়রে হায়না পাউ অসিগা লোয়ননা নুমিৎ খরনিগী মমাংদগী চুরকপা নোং মখা তাখিদৌরি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

হুইয়েন লানপাউদা- রোংমৈ নাগা কাউন্সিল মণিপুরগী বন্দ কনশিল্লে, পুলিসকী দি.আই.জি অমগা চৎমিন্নখিবা কম্মিসনগী চেয়ারপার্সন থৎলগা লমখাংদগী হল্লকখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুর নিউজদা- মণিপুরী লোল অমসুং ময়েক চাওখৎহন্নবা সেন্তরনা লুপা ক্রোর ১৮ সেঙ্কসন তৌরক্লে, ত্রাইবেল দাইলেকশিংসু ঙাক শেনদুনা থমবা

হোৎনরি হায়না মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- রিমসতা মীওই অনি মায় পাকা কিদনি ট্রান্সপ্লান্ট তৌখ্রে, রিমস হোস্পিতাল ইন্সটিট্যুট ওফ নেসনেল ইমপোর্টেন্সকী ষ্টেটস অথুবদা ফংলগনি হায়না হোস্পিতাল অসিগী দাইরেক্তরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- জোগী সি.এস.ওশিংনা বোর্দর ফেন্সিং তৌবা য়ারোই হায়না খোঙজং চংশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নিউজ এজেন্সি, দ ৱায়ারদা ফোংদোরকখিবা রিপোর্ট সরকারনা য়াখিদ্রে হায়বা পাউ অমা অহানবা লমায়দা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি

মণিপুর মেলদা- জম্মু কাশ্মীরদা সি.আর.পি.এফ ওফিসার হাৎখ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- জি.ও.সি স্পিয়ার কোর, লেফটনেন্ট জেনেরেল অভিজিৎ মণিপুরদা থুংলরে হায়বা পাউ অমা পাউচে অসিগী অহানবা লমায়দা ফোংলি।

গানফিউ মেলদা- নেসনেল হাইৱেদা কৌখিবা বন্দনা মরম ওইদুনা মীয়ামগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়না পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংবা থেংনরে।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা- লেন্দ স্লাইদ অমদি ঈশিং ঈচাউনা মরম ওইদুনা মরুওইবা লম্বীশিং ফাওনহনদ্রে হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

------